# DISCOVERY OF KANGLEIPAK

## (70)

## by Wangkhemcha Chingtamlen

## 05-11-2016

কংলৈ খুন্নাইনা হান্না উখিদ্রিবা ময়েক লারবা কংলৈ খুন্নাইগী মচল খরা।

(১) <u>ঈঙৌলোক (ঈঙৌরোক)</u>:

ঈঙৌলোক নত্রগা ঈঙৌরোক হায়বা ৱাহৈ অসি অৱাং কংলৈপাক, অৱাং ইমফালদা লৈবা মীশিংনদি তাবদা হেকতা খংবা ৱাহৈনি। মতম অমদা হিনদু মাহারাজশিংনা মতিক ময়াই লৈনা পাল্লিঙৌদা, ঈঙৌরোক মহাদেবা খুরুম্বা হায়দুনা য়াম্না তোয়না কৌব্রু কাদুনা খুরুম্বা চৎনরমই। কংলৈ খুন্নাইদা হিনদুশিংগী মতিক ময়াই হন্থরকখিবনা, হৌজিকতি মদু তোকখ্রে। অদুবু হিনদুশিংনা চহী ৩০০ মুক পানবদা পুয়া মৈ থাদোকতুনা মীতৈগী লীচৎ খুন্নাই মাংনবা হোৎনখিবনা মরম ওইদুনা, কংলৈচাশিংনা ঈঙৌলোক (ঈঙৌরোক) হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক খংখিদে। অদুবু কুনশুবা , কুনমাথোই শুবা চহীচাদা কংলৈ ইপা ইপুশিংগী ঙক হায়গৎলকপনা, ইপা ইপুশিংগী অশেংবা মচা কয়া থোক্লকপনা ঈঙৌলোক (ঈঙৌরোক) হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক তশেংনা খংলে।

ঈঙৌরোক হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী তশেংবা ৱাহন্থোকতি মালেমদা কংলৈপাক্কী কৌপালু (কৌব্রু) চীংতোনদগী তাইপঙ মী সম্থোকখি হায়বা ৱাফম অদুগী তশেংবা খংফম থোকপা ৱাহৈ/concept নি। ঈঙৌলোক = ঈ + ঙৌ + লোক হায়বদি ঈ = মীওইবগী ঈ (blood), ঙৌ হায়বদি ঙৌবা, অঙৌবা (white) লোক হায়বদি চীংতোনদগী চেন্থরকপা তুরেল মচা (Gorge) হায়বনি। ঈঙৌ হায়বদি অঙৌবা ঈ (white blood) হায়বদি তশেংনমক নুপাদগী থোক্লকপা তাইপঙ মী শনদোক্লবা অঙৌবা ঈ অচম্বা লোনদা (semen) অদুবুনি।

য়ামনা শম্না হায়রবদা, তিংপালপা মপু, তেংপালপা মপু, ঈপুঙলোই অপকপা মহাক্না মহাক্কী ঈঙৌবু শালাইলেল শিতপা (ঈপা সোরারেল) দা শিন্নরগা, কৌপালু (কৌব্রু) চীংতোনদগী তাইপঙ মীওইবা মালেমদা শনদোক্লবা ঈঙৌরোক (ঈঙৌরোক) তা লেপ্পা লৈতনা চেন্থহল্লকপনি।

(২) <u>লমতাই থাংচা অহানবা</u>

হিনদুশিংনা পানবা মতমদগী খদ্রক মদ্রক, ওন্থোক ওনশিন তৌদুনা মীতৈগী অৱাংবা ঈনাৎ অমদি খুন্নাইবু মখোয়গী অনেম্বা মনাৎ অমসুং খুন্নাইগী মখাপোন্নবা হোৎনখিবদগী, কংলৈ খুন্নাই পংশিনবা হৌখ্রে, মশাবু মশানা মশক খংদ্রে। হৌজিক কংলৈপাকতা 'লমতাই থাংচা অহানবা' হায়বা অসি করিনো হায়বা শেংনা খংবা মী লৈরমগনি হায়বা থাজদ্রে।

'লমতাই থাংচা অহানবা' হায়বদি লমতাগী থাংচা অহানবা হায়বনি। লমতাই থাংচা অহানবা হায়বা ৱাফমসি কংলৈচা মীতৈশিংনা মালেমদা লৈরিবা থৌৱাই পানবা পুন্নমক অসিগী থৌৱাই য়াইপী (Extra-terristrial origin of life) অদু নোংমতোনদগী লাকপনি হায়বা অদুগী অইবা খুদম (শাখি,Evidence) নি।

তেংপালপা মপু, তিংপালপা মপু মহাক্না তাইপঙ মীওইবা Proto Human অমা শাবদা নুমিৎ ৭ চংই, লংমাইচিং নুমিৎতগী হৌরগা থাংচা নুমিৎতা লোই। অসুম্না মপু মহাক্না শারবা Proto Human অদুবু পুয়ানা মী খলৌপা কৌই। মী খলৌপা ময়ামসি থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭ তা হাপচিনদুনা অতীঙআ মনুংদা থমই।

অসুমনা শেম-শাদুনা অতীঙআদা থম্নবা, Proto Human মী খলৌপা অদু তিংপালপা মপু মহাক্না লমতাগী থাংচা অহানবা নুমিৎ (লমতাই থাংচা নুমিৎ) অসিদা ঈমা শকপী মালেম অসিদা শন্থোক্লবগীদমক অহানবা ওইনা থারকপা নুমিৎনি। মসিবু কাওদনবা মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসিনা 'সরোই খাংবা' নুমিৎ কৌদুনা লাইশোন তীনশোন পাংথোকতুনা লাকই। অতীঙআদগী লাকপা থৌৱাই-মি অদুবু মালেম তাইপঙকী মমা ওইরিবী মালেম লৈমানা য়ারে, লৌশিল্লে হায়বা তাক্লবা কংলৈ মীতৈ ইমা ইবেনশিংনা লমলোং অহুম ফাংবা মফমদা মফি লৌথোকতুনা থম্লগা জগোই শাবগী শরুক অমা লাইগী থৌরম অসিদা য়াওরিবনি। লমতাই থাংচা অহানবগী শরোই খাংবগী থৌরম অসি মালেমগী মীয়াম পুন্নমকতগী কংলৈপাক্কী মীতৈশিংনা Science তা মাঙ থারমবগী অইবা খুদমনি।

হৌজিক্না হিনদুনা পাল্লবা মতমদা সারোই খাংলিবনি হায়দুনা 'হরি নারায়োন রাম নারায়োন' শোল্লগা, গ্বাই গ্বাই খিংদুনা চৎলিবা, ওক্লবা ফওে হায়জিল্লিবা, হেনজু নাহাগী ৱাফম শাজিনদুনা মী কিহন্নবা হোৎনরিবা পুন্নমক অসি, মীতৈগী অহেনবা কোক অদু মতম পুন্নমক্কী ওইনা মাংখিনবা, কাওখিনবা Brain Washing নি।

"হে নিংথৌ তুকাওবা, ননিং নমাং হোত্রোং হো, নতু লৈমা কাকোক, নয়ুম ফুমজাও গ্রোং"

লাই হরাওবগী থৌরমদা সারোই খাংবগী শরুক অমা য়াওরিবা অদু, লমতাই থাংচা অহানবগী শরুক অমনি।

(৩) <u>তাইপঙ ঈপাক লানবাঃ</u>

কংলৈচা মীতৈশিংগী মীওইবনা তাইপং পুনসি লোইরগা, খমনুং সান্না তান, অমম য়াথোং কুম্লবদা, থৌৱাইনা তাইপঙ ঈপাক লানদুনা, মালেম তাইপঙপু শেমলিবা পুন্নমক্কী মপা ওইরিবা মপু মহাক্কী মফমদা তিনখি হায়বগী মালেমদা চাংদম নিংঙাই লৈতনা ফজরবা ৱাংউলোনগী ৱাফম লৈজে।

কংলৈচা মীতৈশিংগী মালেমদা চাংদমনিংঙাই লৈতনা খংবা ৱাংলবা ৱাংউলোন অসিগী মহুত্তা, হিনদুশিংনা পাল্লবা

মতমদা, কংলৈপাকতা মীতৈশিংবু হিনদু ওলহল্লবা মতুংদা, শিরগা বৈতরনি তুরোল লাল্লি হায়না মখোয়গী ধর্ম্ম গী মতুংইন্না কংলৈচা মীতৈশিংদা তমী। ঐখোয়না য়ামনা অঙাং ওইরিঙৈদা, লৈকায়গী বামনশিংনা বৈতরনি তুরেল হায়বদি য়ুমগী মমাংগী সুমাংগী চুরিনি হায়না শন্থোকই। চুরিদা তুশিল্লবদি শিগনি হায়নসু শন্থোকই। চুম্না লান্‌ব্রা খংদে। য়ামনা ঙকই।

অদুবু লাইরিক লাইশু হৈরক্লবা চাওরক্লবা মতমদদি বৈতরনি হায়বা তুরেল অসি উরিসাদা লৈবা তুরেল য়াংগাংবী মচা অমা ওইরম্লে। ঐগী মরপ মপাং খরা উরিসাদা বৈতরনি তুরেল য়েংবা চৎলুরে।

অমাংসং লৈজদবা ভারত মচাশিংগী, লমহাং তুহাংদা পংমাং মাংবা ময়াং মচাশিংগী অমাংবনা পীক থল্লবা, অমাংবনা পুমচাই চায়রবা তুরেল মচানি হায়না মরপ মপাংশিংনা তমই।

মীতৈবু হিনদু ওলহল্লবা মতুংদা, শিরগা থৌরাইনা বৈতরনি তুরেল লাল্লি হায়দুনা মখোয় হিনদুগী ধর্ম্ম গী ওইবা রাফম শন্থোক্লমলিবা অসি, হিনদুশিং অসি করম্না মী কাংলুপনো, মখোয়গী রাংউল্লোন (Philosophy) না করিনো খনবদা মমই।

হিনদুগী পুন্নমক অসিগী মায়ওকতা, কংলৈ মীতৈগী শিরবা মতুংদা থৌরাইনা নোংকাখিবগী লম্মী অসি অসুক্কী শেংই অমসুং অসুক্কী মতিক ফজে।

<u>কংলৈ মীতৈ লান্ন ইশৈদাঃ</u>

লানসম্মীগী লময়াইদা<br>মুনুনা রারে পোৎথাবা<br>ঈপাম লমদম য়েংলুবদি<br>নুংশিবা মায়কৈ তামখরে।

লানসম্মী লময়াইদা হায়বদি সুমাংদা খাংলেনফমদা হায়বনি, মুনুনা রারে পোৎথাবা হায়বদি মপু অমা লৈ হায়বা খল্লবা তৌদনা ইচা নুংশিবা, নুপী নুংশিবা অসিনচিংবা তাইপঙকী রাখলদা তাউদুনা লেল্লুরগা পুনসিনা, তাইপঙ লানফম মায়ওক্লবা ঙম্লকত্রে পুনশিগী অরোইপা মতমদা খাংলেনফমদা খাংপোকশং অমগী মনুংদা লোংনা হিপতুনা লৈরক্লবা মতমদদি,'নুংশিবা' হায়বদি তাইপঙ শেম্মা ঈপা ওইরিবা মপু মহাক্কী মায়কৈদি হায়বদি মফমদি থাপ্না লৈরমলে হায়বনি।

অসুন্না তাইপঙ পুনসি লোম্না, শিবা ঙাইদুনা লৈরবা থৌরাই অমনা শিরবা মতুংদা চৎকদবা লম্মী তাইপঙ শেম্না ঈপা মহাক্কী মফমদা তিনজরুনবা তাইপঙ ঈপাক লানবনি।

ঐখোয়না মায়কৈ মরিদা, মথকতা উরিবা অহাংবা অসিবু মীতৈনা অতীঙআ (Space) কৌই। মসিবু ঐখোয় মীতৈনা ঈপা সালাইলেন (ঈপা সোরারেল) কৌই। ঐখোয় মীতৈনা শিরবা মতুংদা থৌরাইনা লাল্লি হায়বা তাইপঙ ঈপাক হায়রিবা অদু ইপা সোরারেল অসিবুনি। মসিগী মতাংদা নিংশিংবীয়ঃ

মালেম লৈমনা লুম্বরা<br>পালেম ইমানা মরম্মই<br>কোইলৌ নোংমতোন্না রাংপরা<br>পন্থৌ ঈপানা ম্মরাংই।

মথক্কী পরেং মরিগী শৈরেং অসি তাইপঙ পানবা পুন্নমক্কী মপা ওইরিবা তিংপালপা মপু, তেংপালপা মপু, ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাক্কী লৈফম তাকপা রারেং শৈরেংনি। ঐখোয়গী অতিঙআ (Space) অসিবু মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা ঈপা সালাইলেন সিদবা (ঈপা সোরারেল) কৌই। মসি ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা তাইপঙ পালবা শেম্নবগী লম্মীদা অহানবা খুৎশেমনি।

ঐখোয় কংলৈ ঈপা ঈপুশিংনা তাইপঙ মীওইবা অমনা শিরগা থৌরাইনা তাইপঙ হকচাং থাদোক্লগা, তাইপঙগী থৌরাই পুন্নমক্কী থৌরাই ওইরিবা, তাইপঙ পালবা পুমনমকপু শেমলিবা (Universal God Father) মঙোনদা তিনজরু নবগীদমক থৌরাইগী লম্মীদি 'তাইপঙ ঈপাক লানবা' হায়বদি ইপা সোরারেন অসিবু লানদুনা চৎলগা, নোংমতোন থকতা লৈরিবা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মঙোনদা থৌরাইনা তিনখি হায়বনি।

(৪) <u>মীতৈগী য়ুমনাক থাংজমঃ</u>

মীতৈ ঐখোয়গী খুন্নাইদা 'য়ুমনাক' হায়বসি হৌজিক্কী হিনদুশিং অসিনা মখোয়গী হৌজিক্কী লৈফম ওইরিবা ভারত (India) হায়বসিদা লাকখ্রিঙৈদগী, ভারত হায়বা মমিং অসি পোকখ্রিঙৈদগী লৈরক্লবা পোৎশক (Entity) অমনি। মীতৈগী য়ুমনাকপু হিনদুনা কংলৈপাক্কী লৈঙাক মপু ওইখ্রবা মতুংদা (18th C.E.) গী মতুংদা, হিনদু লৈঙাকপশিংনা শেম্না (Concept,Entity) ওইনা উহন্নবা হোৎনবা অসি কারাম চাওবা, মফম মরাং খংদবা পঙহায় হায়জিনবা নত্তনা করিসু নওে।

মসিগী মতাংদা অইবনা থাংজম হায়বা য়ুম্নাকসি কংলৈ খুন্নাইদা করিনো, কংলৈ খুন্নাইদা হৌবদগী করি থৌ পুরকই, করি থৌ পুদুনা লাকই উৎনবা হোৎনজগে।

থাংজম হায়বা রাহৈ অসিগী কংলৈ রাহন্থোকতি থাং শাবা ময়ুম হায়বনি। থাইনা কংলৈ খুন্নাইদা মী কাংলুপ অসিগী শাগৈ অসি হৌজিক্কী মমিং অসিমক ওইরমগদ্রা হায়বা অসিসু খনদবা ঙমদে। মরমদি হৌজিক থাংজম অসিনা তৌরিবা থবক অসিদি লৌ শুবগুম্না, ইমুং মনুংগী মথৌ তাবা থাং মচা মশু খরা শাবা নত্তনা অরবা থাং তেন শাবগী মথৌ তৌবা উদে।

মসিদি হিনদুগী মতমদা পীশিনবা মথৌ ওইগদবা মাল্লি। হিনদুগী মতমদা থাংজম হায়বসি খুৎনাইবনি হায়দুনা হন্থনা মীয়াম্না য়েংবাদৌনা খন্নে। থাংজম হায়বা মী কাংলুপ অসিদি তশেংনমক কংলৈ খুন্নাইদা অসিগুম্না য়েংগদবা, থমগদৌবা মী কাংলুপতি নত্তে। হৌজিক থাংজমগী থবক তৌরিবা মী কাংলুপ অসিদি কংলৈ পুন্নারীদা মুন্না য়েংবা তারবদি, মীওই কাংলুপ অসি তশেংনমক ঐখোয়না য়ামনা রাংনা থাংগৎফম থোকপা মীওই কাংলুপ অমনি।

কংলৈপাক হায়বা নিংথৌ পানবা অসি, হিনদুনা কংলৈপাকতা ১৮ শুবা চহীচাদা লৈঙাক খুর্জি পায়খিবদগী মমাংদা চহী লিশিং কয়া হিংদুনা লৈরক্লবা নিংথৌ পানবা লৈপাকনি। লৈপাক অসিগী কংলৈ মীয়াম্না লৈপাক অসিবু হিংনবা ঙাকতুনা থম্মা ঙম্লক্লবা মীয়ামনি। থাং তাদা অমদি হিরম কয়াদা হৈশিংবা, মথৌনা লৈবা মীয়াম ওইদুনা চহী লিশিং কয়া হিংলক্লবা মীয়ামনি। পুন্নমক অসি অইবা খুদমনা তাকপা ঙাকতনি। রাখল্লোনা শাজিনবা অমতা নওে।

মপানগী অইবা কয়ানা ইরম্বদা, কংলৈপাক্কী (Cathey Horse), কংলৈপাক্কী শাগোল-লানমী এসিয়াদা কিনৈ, কংলৈপাক্কী শগোল-লানমীদি, মায়ওক্লবা তোকতুনা হনদুনা চেনথোক্লপদা তানবা ঙমদে, কংলৈপাক্কী অরাম্বাই তেন য়েক্লবনা মায়ওক্লনবা পাম্মে লৈরমদে।

থাংজ তরেৎ চংনা লাই খুরম্নদুনা শাবা থাংশাং তা, লোং লানফমদা য়েক্লবনা মায়ওক্লবা ঙমদে হায়না থাজনবা হৌজিকসু লৈ। কংলৈচাশিংনা হৈৗখ্রবা মপা মপু য়াম্না থাজবা অসি হেকতা পংখনদা খনবা নওে।

কংলৈপাক অসি চীংনা কোয়শিনবা মীশিং য়ামদবা অপিকপা নিংথৌপানবা লৈপাকনি। নোংপোকলোমদা ম্যানমারনচিংবা লৈপাক কয়ানা, নোংচুপলোমদা কাসারনচিংবা ময়াং লৈপাক কয়ানা কোইশিল্লি। অদুবু কংলৈপাক ১৮ শুবা চহীচা হিনদুনা লাকপা মতম ফাওবা য়াম্না থৌনা ফনা মনিংতম্না নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা চহী লিশিং কয়া লৈরমই। পুন্নমক অসি কংলৈ ইপা ইপুশিং অদুগী মথৌনা মরৌশিং হৈশিংবা অদুগী য়েৎনবা য়াদবা খুদম ঙাকতনি।

লৈপাক অমা নিংতম্না থম্বদা লানমী মথৌ তাই। লানমীশিং অদুনা খুৎলাই হায়বদি, মতম অদুগী ওইনা হায়বা তারবদি থাং, তা, অরাম্বাই তেন, লোং অসিনচিংবা খুৎলাইশিং মথৌ তাই। পুন্নমক অসি কনানা পুথোকই, কনানা শাই পুন্নমক অসি থাংজম হায়রিবা মী কাংবু অসিনা পুথোকপা, শাবা নত্তনা কনানা ওইফম থোকই। হায়জরিবা পুন্নমক অসি পুন্নাবীগী ওইফম থোকপা শকতম ঙাকতনি।

খুৎলাইশিং অসি পুথোকপদা রাখল, লৌশিং, খুৎশাগী হৈশিংবা মথৌ তাই, হায়বদি থিগৎপা (Research) মথৌ তাই অমসুং তম্বীবা (Training) মথৌ তাই।

পুন্নমক অসি ওইবা তারবদি, থাংজম হায়বা মীওই কাংলুপ অসি, কংলৈপাক্কী পুন্নারীদা, লৈঙাক্কী শরুক (Department) অমা ওইনা কংলৈ খুন্নাইদা চহী লিশিং কয়া শরুক য়ারক্লবা মীওই কাংলুপনি।

তশেংনা হায়বা তারবদি থাংজম হায়বা মীওই কাংলুপ অসি কংলৈ খুন্নাইদা Armoury, Weaponary গী Research and Production Department কী মীওইশিংনি।

অসুম্না হৈশিংলবা কংলৈ খুন্নাইগী পুন্নারীদা লৈপাক্কী চাওরবা থৌদাং পুরম্বা মীওই কাংলুপপু মখোয়গী ইকায় খুম্নবা (ইজৎ) পু মাংহনদুনা থাংজম হায়বা য়ুম্নাক্কী মখাদা কংলৈ খুন্নাইগী হৈ শিংবা, তৌবা ঙম্বা লৌশিংগী শরুক অমা ১৮ শুবা চহীচাদগী হিনদু লৈঙাকপশিংনা খুৎনাইবা হায়বা মিংথোল পীশিনদুনা হন্থবা মীওইশিংগুম উহনদুনা মাংহনদুনা লাকপনি।